ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



‘ওপরেশন সিন্দুর’ দা থৌনা ফনা শরুক য়াখিবদগী লৈবাক অসিনা বির চক্র পীদুনা ইকায়খুম্নরক্লবা কৈখুদগী স্কৱদ্রন লিদর রিজৱান মালিকনা মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা রাজ ভবনদা গভর্ণরগা উনখিবা

লৌশিং পূক্কে : মরম লৈতনা মিনরেল অমদি... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ পি এম মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ!
অৱা-নুংঙাই থৌদোক অনীমক্কী ঈতিনফম... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ নেকম জোমহাওগী হকচাং মীহাৎপশিংনা হৌজিক...
পহলগাম টেরর এটেককী মতাংদা এস সী ও না ইন্দিয়াবু... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ সব জুনিয়র গার্লস নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা...

ওল মণিপুর দলিট দিভেলপমেন্ট এসোসিএশননা শীন্দুনা অকাম্পাৎ রিলিফ কেম্পতা আই দি পিশিংগীদমক সেন্টরনা থাদরকপা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফমগী মৈরা চুখৎপা



Vol. 49, Issue No. 152 | লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, September 02, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ‘সাইকোলোজি দিপার্টমেন্ট’ মতিক চারিব্রা স্পেসিএলাইজদ প্রোগ্রাম ২ খক্তমক হাংলিবসি মণিপুরদা ওজা ওইবীনবা লৈত্রবরা

## দিপার্টমেন্ট অসিনা সবজেক্ট মখল শুনা হাংদবদগী তম্নীংবা মহৈরোয় কয়া নীংবা কায়রে

হুইয়েন ব্যুরো



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** পীকচরবসু মহৈ-মশিং তম্বগী লম্দা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী থোইদোক্লা শোত্থদ্রিবা মণিপুরদা লৈবা অৱাংবা থাক্কী মহৈশঙশিং ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি খরগী মনুংদা খ্বাইদগী লীরবা অমসুং মাঙজিল থানা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীরিবা মহৈকোল অমা ওইরিবা ‘মণিপুর য়ুনিভর্সিটি’ দা হাংলিবা ‘সাইকোলোজি দিপার্টমেন্ট’ অসি মতমগা চুননা মতিক চারিব্রা হায়বগী ৱাহং কয়া মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লে।

ৱাহংশিং অসি পাউচে অসিগী নাকোং য়ৌরকপদগী মহৈকোল অসিগী মতাংদা চত্থখিবা ইনভেষ্টিগেশনদা ফংলকখিবশিংদি মহৈকোল অসি জুন ৫, ১৯৮০দা লিংখৎখিবনি অদুগা ওক্টোবর ১৩, ২০০৫দা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনা ওনখৎলকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা এম য়ুদা তোঙান তোঙানবা স্কুলস ওফ ষ্টদিজ ৯ লৈরে। অদুগা দিপার্টমেন্ট ৪৭ লৈবগী মথক্তা সেন্টর ৭সু লৈরে। স্কুল ওফ ষ্টদিজ ৯ অমদি সেন্টর ৭ লৈবগী মথক্তা মহৈকোল অসিদা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিংগী দিপার্টমেন্ট ৪৭সু হাংদোক্তুনা মহৈরোয়শিংবু অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# নরেন্দ্র মোদি লাক্কনি হায়বদগী লৈঙাক শেম্নবা গভর্ণরদা পাউহোম্বা হৌরব্রা এম এল এ ১ অমসুং স্পিকরনা গভর্ণরগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে

## প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎকীদমক চুড়াচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা গেট ১০ শাগদৌরি, কংলা অমসুং পীস গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা মীওই লিশীং ১৫ অমসুং ৯ লোম্না শরুক য়াগনি হায়না পান্নরি



মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা গভর্ণর উনরম্লবা মতুংদা রাজ ভবনগী অৱাং থংবা গেটতা থোরকপা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপা মতম অদু ফাওবদা লৈরমখিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা মতম অদুদা গভর্ণর এ কে ভল্লাদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবা অমসুং মসিগী মতুং ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখিবদগী বি জে পিগী খক্তা নত্তনা পার্টি অসিনা লুচিংলম্বা লৈঙাক্তা য়াওবা এম এল এশিংনা ফাওবা রাজ ভবনদা লাক্তুনা গভর্ণরগা চুম্না উনবা খক্তা নত্তনা অইবা চেরোলশিং ফাওবা পীশিন্দুনা মীয়ামগী অনৌবা লৈঙাক অমা লৈহনবীনবা খূৎনাং চাবমখৈ তকশিনখ্রবসু সেন্টরগী মায়কৈদগীদি প্রসিদেন্টস রুলগী অহানবা থা ৬কী মতম লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা অনৌবা থা ৬ অমগা শাংদোকহল্লকপদগী মতম খরা তূমিন-তূমিন লৈরুরবা মতুং থা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্কনি হায়বদগী অমুক হন্না রাজ ভবনদা চঙদুনা গভর্ণরদা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগী পাউহোম্বা হৌরক্লব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা বি জে পিগী মরু ওইবা এম এল এ অমা ওইরিবা হৈরোক এ সীগী থোকচোম রাধেশ্যামনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## তোতোমম্নানা উকিল নেক্কদ্রা-নেক্লোইদ্রা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** কুমজা ২০০২দা থৌবাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ২ (১) ২০০২গী ৱায়েলগা মরী লৈননা কোর্টতা মশা লাক্তবদগী থৌবালগী স্পেশল জজ এন আই এনা প্রোক্লেমেশন ফাওবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## য়ু জি ২ ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হৌজিক্লা গৌড়নগোরদা লৈবা চুড়াচান্দপুরগী থিঙ্কাংফাইদগী ইরেংবম ইবোমচা এলিয়জ এন্থোনি (৪২) কৌবা প্রিপাককী কাদর ১ অমসুং পুলিসনা ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ইমাগী মৈরানা গ্বালতাবী ৱাথোক্কী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহন্দবগী মায়োক্তা রাজ ভবনদা থোমজিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** মণিপুরগী নুপী খক্তগী মপাঙ্গল কনবা লুপ অমা ওইরিবা ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সুজতানা লুচিংবা লুপ অসিগী থৌমীশিংনা গভর্ণরনা উখ্রুলগী সিরুইদা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা ষ্টেট লেভেল সিরুই ফেষ্টিবেল হৌদোকপা থৌরমগী পাউ লৌবা চৎখিবা পাউমীশিংনা তোংবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা থাবা ‘মণিপুর’ খুমজিল্লু নৎত্রগা মুথৎলু হায়না মহার রেজিমেন্টনা অথিংবা পীরকখিবগী মতাংদা



থিজিনখিবা লৈঙাক্কী ওফিশল অনীনা শাবা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্টমীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা রাজ ভবনদা থোমজিনখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## মীওই ৪ য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়গা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙৱাং পুলিসনা কৈশাল ভিলেজ ভোলন্টিয়র ওর্গনাইজেশনগী মেম্বরশিংনি হায়বা মীওই মরি ময়ূম-ময়ূমদগী ফাগৎখিবগা লোয়ননা য়াম্লবা খূৎশু-খূৎলায়শিং রিকোভর তৌরে হায়রি।

ফাগৎলবশিংদি শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদগী আর কে সিদার্থ এলিয়জ মোমো (৩৩), লাইরিকয়েংবম লৈকায় সলান লৈরক্তগী লাইশ্রম রামেশ্বর (৪৪), টোপ অৱাং লৈকায়দগী অথোকপম ব্রোজেন্দ্রো এলিয়জ মুকিল (৪৫) অমসুং লাইশ্রম সসিকান্ত এলিয়জ নাওথিং (২৫)নি হায়রি। মখোয়দগী এ কে রাইফল ২, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোলেজ মহৈরোয়শিংনা পি য়ু সী এলগী রিপোর্ট মৈ থাখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মে ৩, ২০২৩দগী থোরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা লান অসিগী মতাংদা দেল্লীদা বেজ তৌবা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্টিজনা শেম্বা ট্রাইব্যুনেল অমনা খোমজিল্লকপনি হায়দুনা পুথোরকখিবা লমায় ৬৯২ পানবা রিপোর্ট অদু য়াবা ঙল্লোই অমসুং ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়না থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী কোলেজশিংগী মহৈরোয়শিংনা রিপোর্ট অদুগী কোপিশিং মৈ থাখ্রে।

খোঙজং অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকীনা ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ, থৌবাল কোলেজ অমসুং ৱাই কে কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা মাগী মাগী মহৈশঙগী থোঙ্গালদা রিপোর্ট অসিগী কোপিশিং মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি।

কোকোমি ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী মহৈরোয়শিংগা খূৎশম্ন দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা পি য়ু সী এলগী রিপোর্ট য়ানীংদে, পি য়ু সী এলনা মণিপুর মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।



খোঙজংগা মরী লৈননা ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ অমসুং ৱাই কে কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওক্রম সুনিতিরানি অমসুং খুন্দোংবম রাজুনা রিপোর্ট অসিগী মায়োক্তা পেন্দবা ৱাফমশিং পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস ১৯

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** ঙৱাং দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনখিদ্রবসু ঙসিগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস ১৯ থেংনরে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ও জয়গী ইলেক্সন পিটিশন

## হায় কোর্টনা এম এল এ, কে শ্যামগী হায়েষ্ট এদ্যুকেশনেল সর্টিফিকেট খঙদোক্লবা সম্মন তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** লংথবাল এ সীগী বি জে পিগী এম এল এ, কে শ্যাম (৬২) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে বিরমনি, লিলোং চজিং মাইরেনখোংদা লৈবা অমসুং অতোপ্পা রেস্পোন্দেন্ট অমগগী মথক্তা ও জয় (৮৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা ও ইবোমচা, ককৱা হুইদ্রোম লৈকায়না ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিশনগী ৱায়েল লোইশিল্লক্কদৌরে।

ইলেক্সন পিটিশন নম্বর ৭ ওফ ২০২২ অসি পিটিশন অসিগা মরী লৈননা নাকল অনীমক্তগী ফাইল তৌনরকখিবা মিসেলিনস ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### থা ১ চুপ্পা চত্থগদবা ইরাবত নীংশিং থাবুম হৌদোকখ্রে

## থাবুম অসি হৌদোকপগা লোয়ননা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লসনু : ডা. নর




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** চহী খুদিংগী ইরাবত সিলেব্রেশন কম্মিটি (আই সী সী), মণিপুরনা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর থাবুম চুপ্পা লময়ানবা হিজম ইরাবত নীংশিংদুনা মহাক্কী মতিক ময়াই শক-শোনবগী থৌরমশিং চত্থরকপগুম কুমসি চহীগীসু ঙসি ১২৯লক শুবা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম কুম্বী সন্থোং হরাওথেলদা য়াম্লবা মীয়াম্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## হোম গার্দশিংগী মরোল নাইনা তাল্লক্লিবা দিমান্দশিং থা অসিগী মনুংদা পীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : মঙ্গি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী হোম গার্দ মেম্বরশিংগীদমক তঙাইফদবা দিমান্দশিং হৌখিবা মতম খরদগী হৌরদুনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা হায়জদুনা লাকখিবা অদু করিগুম্বা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্ত্রবদি হোম গার্দ মেম্বরশিংনা মাস এজিটেশন/সিটইন



প্রোটেষ্ট অমসুং দোমাক্রেটিক ওইবা মওংদা মতম কক্তনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লুৱাংশঙবমদা লৈবা এসোসিএশন অসিগী লোয়শঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবগী ওইনা হোম গার্দশিংগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়দুনা তকশিল্লকখিবা দিমান্দ পূন্না ১৩নি। দিমান্দশিং অসিগী মনুংদা হোম গার্দ মেম্বরশিংনা প্রমোশন ফংজনবা সিনিয়ারিটি লিষ্ট ফাইনেলাইজ তৌবীয়ু, রেঙ্ক খুদিংমক্কী প্রমোশনগী গাইদলাইন/রুল শেম্বীয়ু, সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না পুলিস কন্সটেবল অমগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### দ্রোন এটেকতা লৈখিদ্রবী সুরবালাগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

## লৈঙাক্না পীখিবা থাজবশিং হোত্রোং হোরম্লে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** মমাঙ চহী ২০২৪গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা কুকি টেররিষ্টশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা কৌত্রুক/কদাংবন্দদা বোম থাদরকপগা লোয়ননা নোংমৈ কাপশিন্দুনা চত্থরকখিবা অকনবা এটেকতা পীক্লিবী মচানুপীবু মখূৎ শমদুনা মপামদা লাকখিবী ঙাংবম সুরবালা (৩২) মপুরোইবা এন জি ইঙো লৈখিদবগী চহী অমা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মতৈ-মনাওদগী দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট কিলো ২ হেনবগা লুপা লাখ ২ হেনবগী শেনফমগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** ঙসি য়ুথ এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল মণিপুর (য়াদম) অমসুং এফ জি টি ইম্ফালনা পীরকপা পাউগী লিখুন অমদগী বি এস এফনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## রাইফলমেন হাৎপগী কেসতা মতৈ-মনাও ফারে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা চান্দলগী সোলান্দ খুলদগী এম আরগী রাইফলমেন এ এস রিজোয়শন তাঙ্খুল (২৯) অপোকপা এ এস মারা তাঙ্খুলবু ফূদুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা চেন্নবনি হায়বা মতৈ মনাও ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## হেন্দ গ্রেনেদ ২ লৈরম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক অঙনবদা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দির হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ম্যেন গেট মনাক্তা শকখঙদবশিংনা থল্লম্বা ওইগনি থাজবা হেন্দ গ্রেনেদ অনী লৈরম্লে। পাউ অসি তাবদগী পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিং লাক্তুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা বোমশিং অদু পোকখায়হন্দনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

## স্কৱদ্রন লিদর রিজৱান মালিকতা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা লাখ ১০গী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে

### স্কৱদ্রন লিদর রিজৱান মালিকনা গভর্ণরগা উনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** হন্দক্তা লৈবাক অসিনা টেররিষ্ট অমসুং পাকিস্থানগী মায়োক্তা চত্থখিবা ওপরেশন সিন্দুরদা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী স্কৱদ্রন লিদর অমা ওইনা মায় পাক্না শরুক য়াখিবদগী লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা মমাঙ থাগী ১৫দা পাঙথোকখিবা নীংতম নুমিৎতা বির চক্র এৱার্দ পীরগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবা স্কৱদ্রন লিদর রিজৱান মালিকনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা উনখ্রে।

মহাক্না গভর্ণরগা উনবদা মহাক্কী অপোকপা-অপোকপী অমসুং লোয়নবীসু য়াওরকখি। মহাক্না ওপরেশন সিন্দুরদা কত্থোকপগা লোয়ননা থৌনা ফনা মথৌদা শরুক য়াখিববু গভর্ণরগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইচানুপানা চহী ফাদ্রিঙৈদা লাঞ্জেল্লকখিবদু হৌজিক চহী ২ হেন্না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লবনিনা স্কুল চৎপা হৌরে

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

চুড়াচান্দপুরগী সাইকোটতগী খুঞ্জা




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা মণিপুরগী লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা মীওইশিংনা মায়োক্নরিবশিং হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী ৱারোল খোমজিল্লগা মীয়ামদা রিপোর্ট তৌরকপগী মখা তারকপদা চুড়াচান্দপুরগী সাইকোটতগী লাঞ্জেল্লক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ২৯ লোম শুরবা হুইদ্রোম দিপক মৈতৈ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী লৈমপোকপম নিঙোল ইচনগা পূন্না উনরকখি।

মখোয় অনীনা হায়, ইচানুপা অসিনা চহী ফাদ্রিঙৈদা লান থোরকপদগী লাঞ্জেন্নরকখিবনি। অদুবু রিলিফ কেম্পতা চহী অনী হেন্না লৈরকপদগী হৌজিক্তি ইচানুপা অসিসু চহী ৩ হেল্লক্তুনা স্কুলদা মহৈ-মশিং তম্বা থারে। পীক্লিবা ইচানা ৱাখল তারক্তুনা তাইবঙপান করিনো খঙলকপদা মশাগী য়ূমগী মশক্তি খঙবা ঙমদ্রে। রিলিফ কেম্পতা লেল্লিবা পূন্সি মহিং অসি করিনো হায়বা খনবদা লাম্বা ফংলক্ত্রে। মসিদগী হেন্না নীঙমদবা অমা অমুক মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়দা লৈত্রে।

পাউচে অসিনা দিপক অমসুং মহাক্কী লোয়নবী ইচন উনদুনা ৱারী শাননবা চঙলুবদা দিপককী মপোক নুমিৎ ওইরম্বগী মথক্তা মখোয় অনীনা লুহোংদুনা য়ূম্বানমিন্নরকখিবা নুমিৎকী কুমওন নুমিৎসু তারম্বদগী মখোয় অনীনা মীনা খুদোল তৌরকপনি হায়বা কেক স্লাইস অহুম ককমিন্নদুনা লৈরমখি। (মথং-মথং)

## নোংথোম্বম মালেমঙানবা এলিয়জ থোংলেনগী মফমদা প্রিপাকনা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর মঙাল খুমননা থোরকপা অৱাবা ফোঙদোকপা চেরোল অমদা নোংথোম্বম মালেমঙানবা এলিয়জ থোংলেনগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মমাঙ থাগী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৪৯ লোম তারকপা মতমদা ইন্দিয়ন আর্মিগী স্পেশল ফোর্স অমদি কে এন এ-বি অমসুং মখোয়গা চৎমিন্নরিবা খূৎলায় পায়বশিংগী অপূনবা খূৎপুনা অকনবা মওংদা হায়-টেক দ্রোন শীজিন্নদুনা লান্দারকপা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫